মনিপুরগী ৱেঠ লিফটর মিরাবাই অমদি রানিবলানা গোল্ড লৌবা ঙমখ্রে

কম্পিটিসনগী অহৌবা নুমিত্তা মনিপুরনা গোল্ড ২ সিলভর১ অমদি ব্রোঞ্জ২ লৌখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৩০ ঃ গুজরাটতা চথরিবা ৩৬ শুবা নেস্নেল গেমস ২০২২গী ঙসি নিনি চনবা কম্পিটিসনগী অহানবা নুমিত্তা মনিপুরনা গোল্ড ২, সিলভ ১ অমদি ব্রোঞ্জ ২ লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা মনিপুরগী নুপী ৱেঠ লিফটর সাইখোম মীরাবাই অমদি ফন্দোম রোনিবালানা গোল্ড মেডল অমমম লৌবা ঙমখি।

গেমস অসিগী ঙসি গান্ধীনগরদা পাঙথোকখিবা ৱেঠ লিপটিং মশান্নগী নুপীগী কেজি ৪৯ গী কাঙলুপ্তা মনিপুরগী সাইখোম মিরাবাই শ্লেসতা কে জি ৮৪ অমদি ক্লিন এন্দ জগতা কেজি ১০৭ পুন্না কেজি ১৯১ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেডল লৌখিবগা লোয়ননা গেমস অসিদা মনিপুরগী অহানবা গোল্ড মেডল একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি। হায়রিবা কেটেগোলি অসিমক্তদা মনিপুরগী সঞ্জিতা খুমুকচমনা শ্লেচতা কে জি ৮২, ক্লিন এন্দ জগতা কেজি ১০৫ পুন্না কেজি ১৮৭ থাঙ্গৎতুনা সিলভর মেডল লোয়ননা ওড়িসাগী নেহা সোরেননা পুন্না কেজি ১৬৯ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি।

গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রবি সাইখোম মীরাবাইনা মহাক্কী মপুঙ্গিদা অনীরক শুবা ওইনা নেস্নেল গেমস য়াওদুনা ঙসি মনিপুরগী অহানবা গোল্ড মেডল একাউন্ট হাংদোকপা ঙম্বদা নুংঙায়বা ফোঙদোকখি। লোয়না মহাক্কী সেয়ির প্লেয়ার অমা ওইরিবী সনজিতানা মশান্না অসিদা অমুক হল্লক্তুনা পুন্না শান্নমিন্নবা ফংবা অসিদসু অপেনবা ফাউই হায়না ওলেপিক সিলভর মেডলিষ্ট অমদি কম্মন ৱেলঠ গোল্ড মেডালিষ্ট মিরাবাইনা ফোঙদোকখি। কম্মনৱেলঠ গেমতা গোল্ড মেডল অনীরক লৌবা ঙমখ্রবী সঞ্জিতা খুমুকচমনা ফোঙদোকখিবদা খুদোংচাদবা খরদগী মতম খরা লেপলুরবা মতুং মশান্ন অসিদা অমুক হল্লক্তুনা মনিপুরগীদমক ঙসি সিলভর অমা লৌবা ঙম্বা অসিদা নুংঙাইবা ফাওই হায়না সনজিতানা ফোঙদোক্লদুনা খুদোমচাদবশিং অদুনা মহাক্কী থৌনা ওইদুনা ঙসি মায় পাকপা ঙমখিবনি হায়রি।

ৱেঠ লিফটিং মশান্নগী নুপীগী কেজি ৫৫ কী কাঙলুপ্তা মনিপুরগী ফন্দোম রানীবলানা শ্লেসতা কেজি ৮৪ অমদি ক্লিন এণ্ড জগতা কেজি ১০৪ পুন্না কেজি ১৮৮ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। কেটাগোরি অসিদা চান্দিগরগী বিরজিৎ কোরনা পুন্না কেজি ১৮০ থাঙ্গৎতুনা সিলভর অমদি ওড়িশাগী প্রমিলা খৃষ্টিনানা পুন্না কেজি ১৬৭ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি।

নুপাগী ৱেঠ লিফটিং মশান্নগী কেজি ৬১ গী কাঙলুপ্তা শরুক য়ারিবা মনিপুরগী এল চিংলেনমনিনা শ্লেচতা কেজি ১০০, ক্লিন এণ্ড জগতা কেজি ১২৫ পুন্না কেজি ২২৫ থাঙ্গৎতুনা মঙাশুবা পোজিসন তাহৌখি।

গেমস অসিদা ফেন্সিং মশান্নগী ওইনা ঙসি পাংথোকখিবা নুপীগী সেবর ইন্দিভিজুয়েলদা মনিপুরগী এল অবিবু সেমিফাইনেলদা পাঞ্জাবগী মখুত্তা মায়থিহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখি। ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সেবর টিম ইভেন্টকী সেমিফাইনেল মেটচতসু মনিপুরবু পঞ্জাবনা মায়থিবা পিরম্বদগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি। মনিপুরগী টিম অসিদা টি ঐচ দাইনা, এল অবি, টি ঐচ সনা অমদি ঐচ অনপ্রিয়া শরুক য়াখি।

এথলেটিক্সকী ওইনা নুপাগী কিলোমিটর ২০ গী ৱাক্কতা মনিপুরগী অশিফ খান ৯ শুবা তাহৌখি। মহাক্না পুং ১.৩৬.১৯ দা পন্থুং য়ৌবা ঙমখি। নুপীগী মিটর ১৫০০ গী রনদা মনিপুরগী হুইদ্রোম ভুমেশ্বরীনা ১২ শুবা তাহৌখি। মহাক্না মিনিট ৪.৪৫.৬৭ দা পন্থুং য়ৌবা ঙমখি।

জিম্নাষ্টিক্সকী ওইনদি মনিপুরগী সনসম রুবেন মৈতৈনা নুপাগী ভোল্টিং তেবলদা ফাইনেল রাউন্দ চংবা ঙমখ্রে।

গেমস অসিগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎ ফাওবদা ৱেষ্ট বেঙ্গলনা গোল্ড ৫, সিলভর ১ অমদি ব্রোঞ্জ ৫ পুন্না মেদল ১১ ফংদুনা খ্বাইদগী মাংজিল থারি। শরুক য়ারিবা হরিয়ানানা গোল্ড ৪, সিলভর ১, অমদি ব্রোঞ্জ ২ ফংদুনা অনিশুবা, গুজরাতনা গোল্ড ৪, অমদি ব্রোঞ্জ ৪ ফংদুনা ৩ শুবা, উত্তর প্রদেশনা গোল্ড ৩ অমদি সিলভর ২ ফংদুনা ৪ শুবা, সার্ভিসেসনা গোল্ড ৩, সিলভর ১, অমদি ব্রোঞ্জ ৩ ফংদুনা ৫ শুবা, অমদি মনিপুরনা গোল্ড ২, সিলভর ১ অমদি ব্রোঞ্জ ২ ফংদুনা ৬ শুবা পোজিসন্দা লৈরি।

[illegible]

[illegible]

এস এফ সি না য়ু সি সি অমদি পি এস ৱাই সি না এস দি ও থোইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৩০ ঃ ডিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শিন্দুনা লমজাও প্লে গ্রাউন্দা চথরিবা ১৯ শুবা কে এস ঐচ কিশোকুমার মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২২ গী ঙসিগী মেটচশিংদা এস এফ সি অমদি পি এস ৱাই সি মায়পাকপা ঙমখ্রে।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এস এফ সি শুগুনুনা য়ু সি সি ককচিংবু পাঞ্জল ৫–০ দা থোইবা ঙমখি। টি ঐচ অরুনকুমারা সেন্টর রেফ্রি, টি ঐচ কিরনকুমারনা এসিষ্টেন্ট রেফ্রি ৱান, ঐচ অজয়না এসিষ্টেন্ট রেফ্রি টু অমদি অগর কোমনা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক্ট তৌখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি তাইমগী মনুং চন্না পুন্না মিনিট ৪১ চৎপদা এস এফ সি গী এল অবুংনা অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মতুং টিম অসিমক্কী সিংভাল অনালনা অনিশুবা হাফকী মনুং চন্না পুন্না মিনিট ৫৯, এল অবুংনা অমুক হন্না মিনিট ৬৭, টি ঐচ সনাথোইনা মিনিট ৭১ অমদি ৭৬ চৎপদা গোল চন্দুনা পুন্না পাঞ্জল ৫–০ দা লম্বা ওইরিবা য়ু সি সি বু মায়থিবা পিবা ঙমখিবনি। হায়রিবা মেটচ অসিদা য়ু সি সি গী এম সনাথোইবু মিনিট ৫৭ চৎপদা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি।

ঙসিগী অনিশুবা গ্রাউন্দা পি এস ৱাই সি ফুনালনা এস দি ও পল্লেলবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পিখি। এম বিদ্যাসাগরনা সেন্টর রেফ্রি, টি ঐচ অরুনকুমারনা এসিষ্টেন্ট রেফ্রি ৱান, মোদারফুননা এসিষ্টেন্ট রেফ্রি টু, টি এন অঞ্জুলনা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক্ট তৌখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাফ ফাওবদি টিম অনিমক্না গোল অমা ফাওবা চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু অনিশুবা হাফকী মনুং চন্না পুন্না মিনিট ৫৮ চৎপদা পি এস ৱাই সি গী এম পাওমিনলেননা অহানবা গোল চনবা ঙমখ্রবা মতুং টিম অসিমক্কী এল ভি রংমিনজারনা মিনিট ৭৮ চৎপদা মখা তানা গোল অমগা চন্দুনা পুন্না পাঞ্জল ২–০ দা লম্বা ওইরিবা এস দি ও বু মায়থিবা পিবা ঙমখিবনি। হায়রিবা মেটচ অসিদা এস দি ও গী গোপাল রাইবু মিনিট ২১, অমদি কে ঐচ অরনোলবু মিনিট ৩৮ চৎপদা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি। টুর্নামেন্ট মখা চথরকপা ওইনা ওক্তোবর ৩ গী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১৫ চৎপদা দি ৱাই এ এলাংখাংপোকপিগা এস এফ সি শুগুনুগা অমদি নুংথিল পুং ২.৩০ চৎপদা এ আই এফ এ ইরেংবন্দগী য়ু সি সি ককচিংগা লম্বা থেংনরগনি।

[illegible]

[illegible]

ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমি মায়পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৩০ ঃ ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা লম্লোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দা চথরিবা অনিশুবা অম্ফা কপ ২০২২ গী ঙসিগী অহানবা মেটচতা এফ সি লমজাওগা ৱাফাগা গোল অমা ফাওবা চন্নবা ঙমদনা দ্রো তাখ্রে। অনিশুবা মেটচতনা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমিনা য়ু বি এফ সি বু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পিবা ঙমখি।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দ ওইখিবা এফ সি লমজাও অমদি ৱাফা অনিগী মেটচতা হিল এটলিনা সেন্টর রেফ্রি, রিগাল ময়েংবমনা এসিষ্টেন্ট রেফ্রি ৱান, সোহিব খান্না এসিষ্টেন্ট রেফ্রি টু অমদি ভি এল লোরেন্সনা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক্ট তৌখি। মেটচ অসিদা টিম অনিমক্না গোল অমা ফাওবা চন্নবা ঙমদনা দ্রো তাখি। হায়রিবা মেটচ অসিদা ৱাফাগী ওইনা থৌনাওজম হেমববু মিনিট ৫৯, নোংমাইথেম সুরজবু মিনিট ৬৮ অমদি কাংজুজম রিসিকান্তবু মিনিট ৮৫ চৎপদা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

ঙসিগী অনিশুবা গ্রাউন্দ ওইখিবা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমি অমদি য়ু বি এফ সি অনিগী মেটচতা হেমন্তনা সেন্টর রেফ্রি ওইনা কন্দক্ট তৌখি। মেটচ অসিদা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমিগী সেরতো ৱারনৈলেন কোমনা মিনিট ৪৮ অমদি ৫৬ চৎপদা গোল চন্দুনা মায়পাকখি।

মনিপুর সেনিয়ার টেনিস টুর্নামেন্ট হৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৩০ ঃ মনিপুর টেনিস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা আই দি টি এ অমদি এ এস টি পি এম অনিনা পুন্না খুৎশম্নদুনা ঙসিদগী লম্ফেল পাৎতা লৈবা আই দি টি এ টেনিস কমপ্লেক্সতা ৫ শুবা মনিপুর সেনিয়ার টেনিস টুর্নামেন্ট চথবা হৌখ্রে।

ওক্তোর ৩ ফাওবা পাংথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা পাংথোকখিবা চহি ৪৫ মথক্কী নুপাগী সিঙ্গলসতা সুভাসনা জেসুসেনবু ৬–১, ৬–২, কেনিনা এলদ্রিনবু ৬–৩, ৬–২, রাকেসনা প্রদিপবু ৬–৩, ৪–৬, ৬–৩ অমদি মনিকেতননা কেনিবু ৬–০, ৬–১ দা থোইখিবগা লোয়ননা দিলিপ লাক্তবদগী কুমারজিৎনা ৱার্ক ওভর ফংখি। চহি ৪০ মথক্কী নুপাগী সিঙ্গলসতা কোন্দুমনা অমোলবু ৬–১, ৬–২, প্রিতমনা সান্তিকুমারবু ৬–০, ৬–২ প্রেমনা রতনবু ৬–৩, ৭–৫, অমদি কোরৌনা জগৎপু ৬–১, ৬–৩ দা থোইবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা চহি ৩৫ মথক্কী নুপাগী সিঙ্গলসতা লুকাসনা যোগেনবু ৬–২, ৬–০ অমদি প্রেমজিৎনা দোমসনবু ৬–০, ৬–০ দা থোইখিবগা লোয়ননা সনি লাক্তবদগী রিভাসকর, বিনোয় লাক্তবদগী দোমসন, পুর্না লাক্তবদগী চিংখৈ টি ঐচ না ৱার্ক ওভর ফংবা ঙমখি হায়রি।

জি দি সি মায়পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৩০ ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা বিষ্ণুপুর মিনিট ষ্টদিয়মদা চথরিবা ১৬ শুবা লেট এন বালানন্দা সিংহ মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২২–২৩ গী ঙসিগী মেটচতা জি দি সি থিনুঙ্গৈনা ৱাই দব্লিউ এ নিংথৌখোংবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পিখ্রে। দি জেনপুনা সেন্টর রেফ্রি ওইনা কন্দক্ট তৌখিবা মেটচ অসিদা জি দি সি গী ঐচ রুনিনা মিনিট ৪১ চৎপদা অহানবা গোল চনবা ঙমখ্রবা মতুং টিম অসিমক্কী কে বিকাসনা মিনিট ৪৪ চৎপদা গোল চন্দুনা পুন্না পাঞ্জল ২–০ দা মায়পাকখিবনি। মেটচ অসিদা ৱাই দব্লিউ এ গী রোজর মিনিট ৭৭ চৎপদা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

Editor: **Laishram Kumar** Printed & Published by **Ng. Devendro Meetei** on behalf of himself at **Lamyanba Printers**, Konung Lampak, Imphal - 795001 (RNI No. MAN MAN 2004/14847) Phone : **2461901**, **9436296510** e-mail: ***ireibak@yahoo.com*** Fax - **2461901**